ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
[illegible]
[illegible]
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ১৫, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৪৩শুবা মশীং

মনানা হৈমাং শাবা
য়াম্মনখ্রে, মীয়াম ৱাখিনি

মীতৈ হায়বা ফূরুপসি মীশিং য়ামদ্রবসু মালেমগী অরিবা মীওই কাঙলূপশিংগী মনুংদা অমনি। ৱাফমসিদা য়েৎননীংঙাই লৈতে। ফূরুপসিগী লৈজরিবা ইনাক খুল্লবা নাৎ, কলচর, লাইনীং লম্বেল, লোন অমসুং ময়েক্লা লেংদ্রবা খুদমনি। মতমগী মতুংইন্না লৈরকখিবা ‘লাইরিক তম্বা’ (মোর্দর্ন এদ্যুকেসন) লম্বীদা খোঙদারকপা খরা থিনখ্রবসু ‘লাইশু’ গী ৱাখল্লোনদি চহী কয়াগী মমাঙদগী থাক ৱাংনা শাগোন্নদুনা লাকখ্রবনি। মসিগীসু চপ চাবা খুদম-চাংদমশিং লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরি। ইশম-শম্বদা হীরম খুদিংমক্তা অৱাৎপা লৈতবা মীওই কাঙলূপ অমা ওইনা লৈরকখিবনি। শাগোন্নরকখিবা ফীভমশিংগী মনুংদগী মালেমদা তোমথীল ঙানবা শক্তম খরা ফাওবা য়াওরিবনি। মসিমক্নসু ফূরুপসিবু মালেমগী মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোকপশিংগীদমক খঙনবীরিবনি। অদুগা ফূরুপসিগী ওইনসু চাওথোকচনীংঙাই ওইরিবনি। অদুবু মীতৈনা ফীভমসিগী থাক য়ৌনা কাখৎলক্লবসু ফূরুপসিদা হৌজিক ফাওবদা মখা শাংথনা মায়োক্লরিবনা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা লুরবা তাঞ্জা লাক্লবা ফাওবদা অমত্তা ওইবা ৱাফম (কম্মন এজেন্দা) অমদা পূন্না লেপমিন্নবা ঙমদবা, মীতৈ মশেলগী মরক্তা খোঙচেপ হাইনবা, ৱাইখুদৌনা চিংথনবা, মকা ফন্না শাৎকাইদুনা মালেম শিনবা থুংনা ঙালহনগদবা য়াওরক্লবসু ফত্তবা ৱাখল মান্নবশিং লৌতুনরগা ময়োলদা থুদেক্লবা হোৎনবা, কল্লক-য়েংথীবা, অমনা চাওখৎখিবদা নীংদোল পোম্বা, মশানা মশাবু মশক খঙজদবা, ক্বাক্তা ৱাহোংগী মতু থেৎকনি হায়বশিংনা য়ামশিল্লকপা, মনানা হৈমাং শাবশিংনা পুময়োম য়োম্বগী ফীভমসিদি মালেম পূম্বদা লৈরিবা য়ামখ্রবা ফূরুপশিংগী মনুংদগী মীতৈনা ইহেন হেনগদবা মাল্লি। মমা-মপা অমত্তনা পোকপা মচিল-মনাওশিং ওইরবা ফাওবদা অচুম্বা-অশেংবা লম্বীদা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নবা ঙমদবদগী মায়োক্নখিবা অৱাবা, খুদোংচাদবশিংগী য়াল্লবা লমায়শিং পুৱারীগী লাতম কয়াদা ময়েক লানা য়াওরি।

পূম্নমকসিবু করিদগী ওইগদগে? হৌজিক মথোং-মরম খঙদবা, হৌরকফম নাখে শেংদবা উখোঙ-ৱাখোঙদা লৈগদবা অপীকপা ফূরুপনি হায়জবা খরনা মীহাৎ-মীপূন চত্থরক্তুনা খাবৈ-খারা শারক্লিবসিগা নাকলদা ইন্থোক্তুনা থল্লগা মীতৈশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইমিন্নবা ঙমজদবদগী অনী থোকপী, অহুম থোকপী হায়দুনা লৈরক্লিবসি হান্না লৈখাই তাহৌবনা য়াম্নমক কান্নগদবা মাল্লি। খূৎশু-খূৎলায় অমসুং লান্মী মশীং ৱাৎপদগী কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩গী বৃটিশকা খোংজোমদা শোক্লখিবা লানদু মায়থীবা ওইরম্বদি য়াই। অদুবু লানফমদুদা মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখিদনবা মায়োক্লনবগীদমক থাজিনখিবা লান্মীশিংগী মনুংদা মীতৈ মশেল লিংজেল মান্নরক্তবদগী অঙম্বা কাঙবু অমনা ফারগা কৈশুমশঙদা থম্বা লান্মীশিং হেন্না ৱাংবা ফমথোল থিন্দোক্লগা লান চঙহনখি হায়বসিমসু অচুম্বনি। মরম অসিনা অফবা, কান্নবশিং খক্তমক লৌখৎনবগীদমক হৌখ্রবা পুৱারীগী লমায়শিং হঙ্গৎনা ফাক্তুনা তম্বগুম্না মচেৎ-মকাই অমসুং মচোই তানবগী থৌদোকশিং নীংথিজনা নৈনরগা ফত্তবা অমসুং কান্নদবশিংদগী লাপথোক্লবা হোৎনবগী মতম চাদ্রিবরা হায়বসি খন্থনবা চুল্লগনি। ফূরুপসিদা খুরৌ থাংহনবা অমসুং ওইওইননা পুনবা হোৎনবসিদগী লাপথোকপা ঙল্লবদি হীরম খুদিংমক্তা মনানা হৈমাং শাদুনা অওৎপাদা খোই লংলিবা অখঙ-অহে শাবা মীওইশিংগী মশকসু শিৎ নান্না খঙলক্কনি। খঙলক্লবদি মখোয়দগী লাপথোরকপা ঙমদুনা মখোয়বু ফৌমান্দৌনা তোখাই তাহল্লকপা ঙমগনি। অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংসি মশানা মশাবু ‘মিষ্টর ক্লিন’ নি হায়জবনি। মখোয়না খঙদ-হৈতবা লৈতবনি। মায়বা শুমচিৎ হায়বদুমক্নি। অদুবু মখোয়গী পূক্লিং ৱাখলদি নমথী, পূম্নম নম্মী। মীয়াম মাঙদা অফবা তৌবা শাই, মশানা পায়রিবা শিনফমদুগী এক্সপর্টনি হায়জৈ। ৱাখল মান্নবা মখোয় খরসু পূনশিন্নৈ। মনুংদনা মশা -মশাগী ৱাৎত-পাদনবা অরেম অপাশিং পাকথরগা হুকই। মখোয়দগী ৱাংখৎলক্কদবা মীওইশিংবু লাকথু-চিংথুনবা থৌওইনা হোৎনৈ। মীয়াম্না মখোয়না উপখিবা কুরাংবানশিং ফাওজিল্লগা মখোয়গী অশেংবা মশক খঙননবা হোৎনবা চুমগনি। য়েক্লবগী মঙক্তা হাইথনবা থাঙ পায়রিবা খুত্তুদা য়ুবা তুম হান্না লৌথোকপা চুমগনি।

ꯃꯅꯥꯅꯥ ꯍꯩꯃꯥꯡ ꯁꯥꯕꯥ
ꯌꯥꯝꯃꯟꯈ꯭ꯔꯦ, ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯋꯥꯈꯤꯅꯤ

[illegible]

[illegible]

মতমসি হোংলক্কদৌরবা মাল্লি, অচুম্বা চৎহৌবশিংনা লেমগনি

মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

ইরমদম মীতৈ লৈবাকসিদা ইপা-ইপুশিংনা তাকপীরম্বগী মতুংইন্না ঐখোয়না খঙই, হয়ি চক, হয়া চক, লাংবা চক অমসুং কোন্না চক হায়দুনা চক মরিসিনা মথং-মথং অমদগী অমদা শিনে দাক-শিঞ্জিন তৌদুনা তাইবঙ খোঙচৎসি শেল্লিবনি। অসুম্না হিন্দু লাইনীংদসু, সংস্কৃট লোলদা চককী মহুত্তা যুগ হায়না কৌদুনা সৈত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর অমসুং কলি হায়দুনা যুগ মরিসি খাইদোক্লম্মী অমসুং হৌজিক-হৌজিকসু চৎনরি। হিন্দুশিংগী যুগ মরিসিগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না ওইদ-পাদবশিং য়ৌনা তৌনবা অমসুং অচুম্বা অমত্তা চৎনদবা যুগ অমা য়াওরি। যুগতুবু কলি যুগ হায়না কৌই। যুগসিদা মীগী ৱা অমদি মীনা তৌথোক্লকপা মওং মতৌশিংদা নোক্লবা অমসুং করেম্নবা ফাওবদা করেম্নরিবা মশাদুদা খুদক-খুদক্তা ওইনা হঞ্জিল্লি অমসুং চুরুংই। কয়ামুক য়াম্না থুনা চুরুংবগে হায়ববু ‘কলিদা খুদৈ কংদে’ হায়বা পাউরৌসি থল্লল্লিবসিনি। কলিদা খুদৈ কংদে হায়বসি কলিদা অচোৎপা খুদৈ ফৌবদা কংদে হায়বা নত্তে, মীগী ৱা নৎত্রগা মীগী মওং মতৌদা করেম্নদুনা নোক্লবা মীদু কলিদদি অচোৎপা খুদৈ অমা ফৌবদা কংবা ফাওবা নংদ্রিঙৈদা চুরুঙবনা হাল্লি হায়বনি। অমুকসু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, অচুম্বা ঙাক্তা চৎনবা, অরানবা হায়বসি অমত্তা ঙাঙনদবা অমসুং তৌসু তৌনদবা যুগ অমগা হিন্দুশিংগী যুগ মরিসিদা য়াওরি। যুগতগী মমিংবুনা সৈত্য যুগ হায়না খঙনৈ। মরমসিদগীনি হিন্দু লাইনীং চৎলুবগী মতুংইন্না থবক অমা তৌরুবা নৎত্রগা ৱা অমা হায়রুবা মতমদা ঐখোয়না তৌরুরিবা থবক নৎত্রগা হায়রুরিবা ৱাদু অচুম্বনি অমসুং অশেংবনি হায়বসি তাক্লবা হোৎনবদা ‘সৈত্য’ হায়বা ৱাহৈসি পল্লগা ৱাশক্লরিবসি। তৌবদি অরিবা মতমগী থবক-থৌদাংশিংসি হৌজিক্তদি থিজিল্লুবগী থবকসি ইৱাৎ ৱাৎনরে। মরমসিনা চক অমদি যুগ হায়বসি ফাওবদা চহী কয়া কয়ানা শারিবনো হায়বদু হৌজিক্কী মতমসিদদি ঐখোয় অমত্তা খঙদ্রে। ৱারী মতেকসি হৌজিক্কী মতমসিদা চুশিন্নবা কয়ামরুম য়াওরকপদগী নৌহৌনা হৌদোকচবনি।

মীতৈ ঐখোয়গী লোনচত্তা হৌজিকসিবু করি চকনো হায়বসি কনা-কনা খঙনরিবনো খঙদে। মীতৈশিংগী চত্থরকপা পুৱারীগী মচত্তা মরক্তা হিন্দু লাইনীংনা চেৎনা মচু শঙখিবনা মীতৈশিং অয়াম্বনা হৌজিকসু চককী মহুত্তা যুগ ওইনা পন্নরি। যুগতা হায়রগদি হৌজিক হৌজিকসি কলি যুগ লোইশিল্লমদাই অমসুং দ্বাপুর যুগতা লানশিল্লক্লমদাইগী তাইনফম শরুক্তুনি হায়না অহল লমন অমদি অখঙ অহৈশিংনা য়াম্না তোয়না পনবী। কলি যুগ লোইরমদাইনি হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না ফত্তবা থবকশিং ঙাক্তা তৌনবগী অমদি খ্বাইদগী হেন্না ওইদ-পাদবশিং ঙাক্তা ঙাঙন-শক্লবগী মহয়শিং ময়েক শেংনা উনরকপা অমসুং থৌদৌসিগী মহুত্তা চুমদ্রিং চুম্না ঙাঙন-শক্লবা অমদি অচুম্বা ঙাক্তা চৎনবগী মহয়শিংনা শাথীনা হেন্না ফনা ফংনরকপা উনবদগী ৱাফমসি অহল লমনশিং অমদি অখঙ অহৈশিংনা থাজনরকপনি। হৌজিকসি তশেং-তশেংনা অচুম্বা চৎপা অমসুং অচুম্বা তৌবশিংনা ফংনবা মহয়শিংগা ওইদ-পাদবা ঙাক্তা য়ৌনা তৌনরিবশিংনা ফংনরিবা মহয়শিংগা মহয় অনীসিগী খেন্নবশিং, ইচম-চম্না হিংনরিবা মীচম ঐখোয়নসু ফনা য়াম্না উবা ফংনরে। ফীভমসি মুন্না য়েংশিল্লবদি মতমসিদা হিংলিবা মীয়াম ঐখোয়সু ওইদ-পাদবশিং তৌনবগী মহুত্তা অচুম্বা অমসুং অশেংবশিং ঙাক্তা ওইনা তৌনবসিনা শাথীনা হেন্না ফরনি হায়বসি চুল্লনি খল্লি। ৱাফমসি মতমসিগী মীয়াম্নসু য়েংশিলহন্নীংই অমসুং খন্নহন্নীংই। তাইবঙপান অপূম্বগী খোঙচৎসি হোংবা নাই হায়বসি হিন্দুশিংগী ওইনদি বেদ মরি হায়বদি রিগ বেদ, যযুর বেদ, অর্থবা বেদ অমসুং শ্যাম বেদ হায়রিবশিংসিদা ময়েক শেংনা পল্লম্মী হায়রি। মীতৈ ঐখোয়গীনা করি পুয়াদা তাইবঙপানসিগী অশুপ্পা অমসুং অশুবা তাইবঙ খোঙচৎকী মরমদা ইরল্লিবনো হায়বসিসু খঙবা নৎত্রি, অদুগা ইরমদব্রা’সু হায়বা ঙমদে।

হিন্দু লাইনীংগী মতুংইন্নদি যুগ অমগা যুগ অমমগী চহী মশীংসি অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। যুগ অমদা চহী লাখ তরাতরেৎ হেনবসু য়াওরি। অদুগা শুপ্নগী চহী লাখ মঙা খরা হেনবনা শাবা যুগসু অদুম্মক লৈরি। হীরমসিগী মতাংদা অমুক্কা হেন্না কুপ্না নৈনগে খনবশিংগীদমক্তি বেদনচিংবা লাইরিকশিংদা মরীক চুম্না ইরিসু হায়। অদুবু মতাংসি য়ৌনা মীতৈ ঐখোয়গী পুয়াদসু ইদুনা থম্বীরম্ব্রা নৎত্রগা থম্বীরমদব্রা হায়বদুদি মুন্না থিগৎনীংঙাই ওইরি। হিন্দু লাইনীংসি মালেম পূম্বগী ওইনা অকনবা মমিং লৈবা লাইনীংনি। অদুগা হিন্দুশিংগী লাইরিকশিংদা ইরম্বা অমসুং পল্লম্বা মতুংইন্না যুগ-যুগ খুদিংগী যুগশিংদুদা হিংলম্বা মীওইশিংগী লাইফ স্পান হায়বদি মীওইবগী পূন্সি শাংবা-তেনবগী ৱাফমসু যুগ অমগা যুগ অমগা অসুক্কী মতিক খেন্নরম্মী হায়। ৱাফমসিমক পল্লুবদা মীতৈ ঐখোয়গী ওইবা পোৎশক্তসু তশেংনা নীংশিংলকপা খরদি লৈ। মীতৈ ঐখোয়গী পুয়াশিং পারুবদা মীতৈ নিংথৌ খাগেম্বা হাক্তক্তগী হৌনা মায়চৌ ওইরকপা কাঙবুশিং গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) নিংথৌগী হাক্তক ফাওবদা হিংলম্বগী ৱারীশিং লাইরিক্তা থেংনরি। অদুগা অমরোমদসু য়াম্না মরু ওইনা মীতৈশিংগী মাইচৌ হায়না খঙনরিবা মীওইশিংগী কাঙলূপসিদি য়ামদ্রবদা চহী চনী-চহুমলোম হেন্না পূন্সিনরম্বগী রেকোর্দশিংসু মহৌশানা মীতৈশিংগী পুয়া লাইরিকশিংদা ইদুনা থল্লম্বা থেংনরি। লাইরিক খরদদি মীতৈ মাইচৌশিংসি চহী চাম্মঙারোম্বু য়ৌনীংচিৎ পূন্সিনরম্বগী ৱাফমসু পুথোক্লে। অসুম্না মতম মতমগী ওইনা ওল্লক-ওল্লকপা চক অমদি যুগশিংদা মীওইবগী পূন্সি তেনবা অমসুং শাংবা মান্নদবগী থৌদৌশিংসি চক অমদি যুগ অনীমক্তা থোকপগুমসু তৌরি। মীওইবনা তরংপান (য়ুনিভর্স) অসিগী মরমদা থিজিনগদবসি অসুক্কী মতিক ৱাৎলিবা অমনি।

থিজিল্লিবা মখৈ লোইবা নাইরোইদৌবা তরংপানসিগী খোঙচৎনি। তরংপান হায়বসিগীদি তাইবঙপান হায়বসি শুপ্নগী অপীকপা লৈকায় মচা অমগুম্বা খক্তনি। ঐখোয় মীওইবনা খঙবা ঙল্লে হায়দুনা পোংজ-চাউজরিবসি শুপ্নগী নুমিৎ, থা, গ্রহ অম’নি খক্তগী খোঙচৎশিংদু খক্তনি। সিসু পুমচুম চুল্লে অমসুং থিজিনবদা অমুক মখা তানা খোঙচৎশিংদুগী মরমদা অনৌবা খোঙচৎ অমা ফাওবা ফংবা ঙল্লরোই হায়বদুমক্তি ওইরমখিরোই। থিজিনগদবা লোইরে হায়বা কনামতনা হায়বা ঙমখিরোই। শোয়দনা ৱাৎলমগনি। হিন্দু ফিলোসোফিদা, কলি যুগতা মীওইবগী পূন্সিনা করিগী অসুক্কী মতিক তেল্লি হায়রিবা করিদা থাজবা থল্লগা হায়রল্লিবনো? অদুগা সৈত্য অমদি ত্রেতা যুগশিংদনা মীওইবগী পূন্সিসি চহী লিশীং অমদগীসু হেন্না ফাওবা শাংনরম্মী হায়বগী থাজবদুনা হিন্দু ফিলোসোফিনা মতৌ করম্না অমসুং করি খঙলু-উরুবদগী থল্লল্লিবা? মমুৎ তানা থিজিনবা লোইদ্রিবগী শোয়দনা ওইরমগনি। ৱাফমসিগী অচুম্বা মরম কয়ামুকসু শোয়দনা লৈরমখিবা য়াই। অদুবু হিন্দু ফিলোসোফি হায়বসিসু মালেমসিদা অরায়বদি নত্তে।

লোইশিল্লকপদা পুশিঞ্জনীংলিবসি অতৈদা নত্তে, মথক্তা নৈনজখ্রিবশিংসিদগী হায়জনীংলিবসি তাইবঙপানসিগী খোঙচৎসিদা যুগ ওইরসু অদু মঙাই চক ওইরসু অদু মঙাই যুগ নৎত্রগা চক অনীমক হোংলকপগী মতুংইন্না মালেমসিগী মীওইবগী মচৎশিংসি পুমহোং-পুমহোং অমুক’মুক হোংই হায়রি। হৌজিক কলি যুগ লোইশিল্লকপগী দ্বাপুরদা হঞ্জিল্লক্লমদাই মতমসিদা তাইবঙ মীওইবা হায়বা কাঙলূপসি অচুম্বতা ঙাঙহৌবনা মায় পাক্লনি। শুপ্নগী অরানবা হায়বসি মচেৎ অমা ফাওবা তৌদবা অমসুং ঙাঙদবা মীশকশিং খক্তনা হোংলক্কদৌরিবা অনৌবা চক নৎত্রগা যুগসিদা শোয়দনমক্কী মাঙজিল থানা মায় পাক্লক্লনি। হৌজিক্তা লৈরিবা মীয়ামদগী অমদি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী শেনফমদগী খোমগৎলগা নৎত্রগা হুরাল্লগা শেঞ্জাও পায়বা ওইরিবা অঙম অথৌশিং, অচৌ-অশাংশিং অমদি লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং, মখোয় মখোয়গী মরাইবকশিং অমদি পোফমশিং হৌজিক্তগী হৌনা শেন্নদুনা অমদি কুপ্না হোৎতুনা মীচম মীয়াম্না য়েংবা হৌবীবা য়ারে। খরা খরা উনরকপগুম তৌবদুনবু অখঙ অহৈশিং অমদি অহল-লমনশিংনা ৱাহৈগী ইপোমশিং মচা-মচা থোকপা হৌনরকপা ওইরমগনি। ইপোমসিনা চাওখৎলকপদদি ঈথক শোয়দনা ওল্লক্কনি।

পূম্নমকসি পুমশুপ শুপচিল্লগা হৌজিকসি ওইদ-পাদবা তৌবনা মায় পাক্কদবগী মতমদু লোইশিল্লবনি, অচুম্বা তৌবনা নোংম-নোংমগী য়াইফরক্লগদবা অমসুং হীরম খুদিংমক্তা মায় পাক্লগদবা মতমদু য়ৌরবনি। লৈবাক্কী মীচম-মীয়াম ওইরিবা ঐখোয়সু পূন্না অচুম্বগী মায়কৈরোমদা ওনশিনমিন্নহৌরসি। মতম্না ওল্লক্লবদা অরানবা তৌবশিংগী করি পাম্বৈ লৈগনি? অচুম্বা পাম্বা ঐখোয় মশেল মখৈ অমত্তা ওইনা পূনশিনমিন্নরসি। ●

য়েৎতুমগী মিৎত্রংদা মঙলাক্লরকপা

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল
ডা. লাইশ্রম ইমোবা

নারুমদা থুংবা শম্বু ইশানা উজবা ফংদবগী নুংঙাইতবা লৈ। কনাদা তাইনরুনি। করিগী উজবা ফংদবনো কনাদা ৱাকৎলুনি। অসুম্না ঐখোয়গী ইনাক্তা লৈবা, শীজিন্নদুনতা লাক্লবা পোৎশক, ইনাৎকা শাগোন্নবা পোৎলম কয়া কয়ানি। মতা চাদ্রিবদি মসিগুম্বা পোৎলমশিং অসিগী মরমদদি মরী-মখোঙ খঙদবা কয়া অমসু লৈরম্লে। সুম্নমক্তবু ফিশা-লোনশাগী লম্দা মণিপুরগী মীতৈশিংগী পোথোক মালেমদা তোমথিল ওইরি হায়নৈ। খ্বাং ইয়োংগী ফিশারোল অসিমক লমদম অসিগী অঙনবা মতমদগী শানরক্লবা ফি শাবগী থৌওং অমনি হায়নৈ। ঙসিদি তম্পাক্কী মীতৈ নিঙোলশিং খ্বাংদা ফিশাবা (খ্বাং ইয়োং) পংউ উবা ফংলক্ত্রবনি। অদুন্নদি ওইরগা চীংদা খুন্দাবা চীংমী ফূরুপ কয়াগী চীংমী নিঙোলশিংনদি খ্বাং ইয়োংদা ফি শাবা অদুম্মক পাঙথোক্লবা য়াওরি।

মীতৈশিংনা খ্বাং ইয়োং, পাং ইয়োং নৎত্রগা য়োঙ্খম (ফ্লাই শট্টল লূম) দা শাবা ফি মখল খরদা য়েৎতুম শীজিন্নদুনা লোনবা অমদি লীবগী মশীন অসিমসু লমদম অসিদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী পাঙথোক্লরম্বগী খুদম চাংদমশিং উবা ফংলি। রুমাল, মোম্পাকফিদক, মোনখুম্নচিংবদা লৈরোংদা নত্তনা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা য়েক্তুনা লোন্নবা চৎনৈ। মতম অমদা নুজা ওইবীশিংনা মশানা লোঞ্জবা রুমাল নুংশি-চান্নজবশিংদা খুদোল ওইনা পীনরম্বগী ৱারী ইথক-থোংবশিংদগী তাবা ফংখি। নুপীমচাশিংনা মশীন অমা ওইনা ফি লোনবা, ফি শাবগী থবক অসি পাঙথোক্লরম্মী। ঙসিদি য়েৎতুম্না রুমালনচিংবা অপীকপদগীনা অচৌবদা মোনখুম, মোম্পাকফিদক্লচিংবা লোনবগী শিনফম পংউ উখিদ্রে। অদুন্নদি ওইরগা মীতৈ নুপীশিংনা শেৎনবা ফনেক ময়েক নাইবীগী, ফিবান লোনবগী শিনফম অসিমদি লৈশাবীশিং, মৌ-নহাশিংনা থৱায় য়াওনা পাঙথোক্লবা য়াওরি। অসুম্না য়েৎতুম শীজিন্নদুনা ফি মথক্তা ময়েক-মশোন লোনশিনবগী থবকসিমদি মণিপুরী চীংমী নিঙোলশিংগী মরক্তদি পাঙথোক্লবা পংউ উবা ফংদে।

মতৌ অসুম্না মীতৈ নুপীনা ফনেক লোনবদা নত্তনা অতৈ ফি লোনবগী থবক মখল-মথেলশিংদা মরু ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লিবা য়েৎতুমগী মতাংসিমসু খোঙ্গুল লীবা ৱারপ থোক্লি। শম্না হায়রবদা লমদম অসিদা ‘য়েৎতুম’ অসি করম্বা মতমদগী, মৈদিংঙু কনাগী হাক্তক্তগী, করি লমদগী পুশিল্লক্তুনা শীজিন্নবা হৌখিবগে নৎত্রগা পোইরৈ লমদমসিদা কনানা কমদৌনা শাখিবগে হায়বগী ৱারী লীখুল অসিমদি থেংনদ্রি।

অদুম্নদি ওইরগা অদুঙৈ পোইরৈ লমদমসিগী লীরি শুনা শৈশক্লম্বা কনানা ‘কবো য়েৎতুম তেংনা মানবী’ হায়না শৈথানরম্বদি তাখিবা লৈখ্রে। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা থোইবী, খম্বুখোয়না পম্থৌ মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাংদা চরৈ ফি লোনলম্বগী ৱারীসু শৈথানবা লৈ। চিনবুং ৱারী নোক্লিং ৱারীদা য়েৎতুম শীজিন্নদুনা ফি লোল্লম্বগী ৱারী, মতম অমগী ফাগিরোই ‘ময়াং ইম্ফাল তোম্বী’ না ইপোম লীলাদা লীখিবা ৱারীদা য়াওবা তাখিবা লৈখি। ‘মোইরাং লৈবাক্তা খম্বা-নোংবান অনীগী লমজেল তান্নবা নুমিৎতা নমু তাইবঙ মীদা নত্তনা পোম্বী চেক্লাশিং, লোক্তাক লাইজ ঈরোলনুংদা লৈবা থৱায় পানবশিং ফাওবা কাখৎনরকখি হায়না প্রমান ওইনা, পাম্হৈ ওইনা লীখিবা ৱারীনি। মতমদুদা মথৌ চিনবী থরাইকোকপী অমোম অমনা কবো য়েৎতুম নেংনা মানবী অমা পায়দুনা ময়ূমদা লৈরম্ববু লাইজ ঈরোলনুংগী খুল্লাকপা অমনা উখি। খুল্লাকপদুনা ময়াম পূম্বা খম্বা-নোংবানগী লমজেল য়েংবা ঙম্না কাখৎনখ্রগা করিগী নিংঙাইদনা ফি লোন্দুনা লৈথোকপনো লাউরকপদা, ফি লোল্লম্বী থরাইকোকপী অমোমদুনা মখূৎতা পায়রম্বা য়েৎতুম মথবাক্তা থেৎচিল্লগা কাখৎখি। থৌদোক অদুগী তুংদগী ঙসি ফাওবদা থরাইকোকপী অমোমশিংগী মথবাক্তা য়েৎতুম মওং মানবা অমা য়াওরিবসিনি হায়বা ৱারী ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা লীখিবদো নীংশিংলি।

ফুঙ্গা ৱারীগী মনুং চনবা ৱারী অসিদা য়াওরিবা য়েৎতুম অমদি য়েৎতুম শীজিন্নবগী থৌওং য়াওরিবমক অসিসু পোৎশক অসি অঙনবা মতমদগী শীজিন্নরক্লে হায়বদু নাকোইননা উৎলি হায়বা য়াই। অতোপ্পা ৱাফম অমনা মণিপুরগী অরিবা ক্রোনিকল অমা ওইনা শিংথানরিবা ‘চৈথারোল কুম্বাবা’ দা খৃষ্ট কুমজা ৯৬৯দগী ৯৮৪ ফাওবা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ ওইনা পানখিবা মৈদিংঙু য়াংলৌ কৈফাবগী হাক্তক্তা, ‘খোই ময়েক’ হায়বসি পুথোকখি হায়না পল্লম্মী। হায়রিবা ময়েক অসিমকসু ঙসিগী মীতৈ নুপীশিংনা শেৎনরিবা ‘ফনেক ময়েক নাইবা’ গী ফিবান্দা লোন্নরি। মৈদিংঙু অসিগী হাক্তক্তা ময়েক অসি পুথোক্লম্মী হায়বনিনা ময়েক অসি মতমদুদসু ফনেক মপান্দা লোন্নরম্বা তাই হায়না লৌবা য়াই। অদু ওইরবদি মতমদুদসু মীতৈ নুপীশিংনা ফি লোনবদা য়েৎতুম শীজিন্নরম্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি।

য়েৎতুমগী মপান তাংদুনা মীতৈ নুপীশিংনা ফি লোনবনা শীনফম অমা ওইজবী নুপী কয়াসু লৈরি। মখোয়গী মরক্তা মীতৈগী ফনেক মপান লোনবীশিং অসিসু য়াওরিবনি। মতমগী য়াওল, অনৌবা মতমগী খূৎশু-খূৎলায়শিং পুথোরকপনা খূৎনাইবা-খূৎনাইবীশিংগী শিনলম শিল্পা কয়াদা মফম, মতম অমদি চাদিংনচিংবা হুন্থহনবদা নত্তনা পাঙ্গল-শক্তি শীজিন্নবদসু খরমখৈ কোমহল্লে। মসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু অনৌবা মতমগী অসিগুম্বা টেক্নোলোজি অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসিনা মহৌশাগী ত্রেদিসনেল ওইবা খূৎশুদা চুশিন্নদুনা লাক্লবশিংদদি চাক্লুক মপান্দা খুজাই থাংজিল্লকপগুম থোক্তবসু নত্তে। মসিমক ঐখোয়গী পিথ্রাই শামুক মাঙদা থাদুনা কুম, ফিগে, থম্বাল লৈখোক হায়না খঙনবা ফনেক ময়েক নাইবা লোল্লক্লিবশিংগী মফমদসু থোক্লরে। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’
(নিংথৌরোল লম্বুবা) -(১১৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

চাহুই লৈরোংপামবা মিংকৌবা। হাওবা খুললিংনা লৈবা চীঙদা। কুরাওনা শাবা ফমনা ফাল লোইথৌবদা। শুমাঙ লেপলুবদগী। লৈহৌ চীঙলোই অথৌবশিংনা। চাহুই লৈরোংপামববু কুরাও হঙগাচলনা ৱাতাথিনা চৈখিয়ে। চাহুই লৈরোংপামবনা ইনুং অহিং নোংয়াইদা। কুরাও হংকাপুনা আচেন লোকলৈ হৌনা। হুমাং অনপপী কানা। লমদগী লালথোকলকপদা। তাললোই নুপী লোইনবী। ইৱাং মোইরাং লাংমৈরেমবা চনুগা। মনাও ইবুংঙো লুৱাং মীনম মাইনমবগা অনিমকনা। ঙারা পুঙচোংবা মিংকৌবা মশলচাবু। মমাং থানা হোইনা। হেমবা মচীঙশাং কানা থীরকপগা থেংনা ওকনরে। মশানৌ অনিনা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯱꯱꯶)

[illegible]

[illegible]

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা খোইদোক্না মরী লৈনদে।